# ‘মিনিমেল্লি ইনভেশিভ কার্দিয়াক সর্জরি’ হায়বসিগী মতাংদা ডাক্তরশিংনা ফোঙদোরকপা ৱাফম খরা

- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -

**থাঙ হাইফেৎ থাবা কার্দিয়াক সর্জরি (মিনিমেল্লি ইনভেশিভ কার্দিয়াক সর্জরি) হায়বসিগী মতাংদা ডাক্তরশিংনা মীয়ামদা খঙহন্নীংবা মরু ওইবা ৱাফম অমসুং পুন্সি মহিং হোংদোক্কুনা নাবা ফহন্নবা হকশেলদা কান্নবা পাউতাকশিং।**

থবাক অসি হাংদোক্লগা পাঙথোকপা সর্জরিগা মরী লৈনবা চৈনাখোল অমসুং নুংঙাইতবশিং অদুগী চাং হন্থহন্নবা পান্দমদা ইকুই কুইদনা চৎনবা হৌরক্লিবা থাঙ হাইফেৎ থাবা নৎত্রগা মিনিমেল্লি ইনভেশিভ কার্দিয়াক সর্জরি হায়না খঙনবা টেক্নিক অসিনা চৈনাখোল পোকপগী চাং অসি য়াম্না হন্থহনবগা লোয়ননা মফম পীক্লা থাঙ থাবা অমসুং নাবা ফগৎলকপগী মতম থুজিনবা অসিনচিংবা কান্নবা কয়ামরুম ফংহল্লি, অদুম ওইনমক থৌওং অসি পাঙথোক্লবগীদমক্তা অনাবা মীওই অমনা মশাগী অয়াবা অদু পীদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মরু ওইবা ৱাফম খরা মুন্না খন্থবা চুমগনি।

ৱাফম অসিগা মরী লৈননা, মনিপাল হোস্পিটাল, পুনেগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট এন্দ কন্সলটেন্ট, কার্দিওথোরাশিক অমসুং ভাস্ক্যুলর সর্জন ওইবা ডা. শ্রীয়াং রানাদেনা হায়, “থাঙ হাইফেৎ থাবা সর্জরি অসি পাঙথোকপা মতমদা সর্জন অমনা হার্ট মনুংদা য়ৌশিনবা ঙম্নবগীদমক্তা ইঞ্চি ২-৩ পীক্তক্লা থাঙ থাই। মহৌশা তৌনরম্বা থবাক হাংদোকপা সর্জরি অদুগী মহুত্তা থাঙ হাইফেৎতং থাবা মিনিমেল্লি ইনভেশিভ সর্জরি (এম আই এস) অসিনসু থম্মোয়গী লায়না মখল কয়া ইরায় লায়না লায়েংবা অমসুং হান্নদগী হেন্না থুনা ফগৎহনবা ঙম্মী। মমাঙঙৈগী হার্ট সর্জরি অসিনা থবাক ময়ায়গী শরূ (ষ্টর্নোটোমি) অসি খায়রগা পাঙথোকপনি, অদুবু এম আই এস অসিদি থবাক্কী শরূ হুমদাংশিংগী মরক্তা মফম মচা-মচা লেল্লগা পাঙথোকই। থৌওং অসিনা থাঙ থাফমদা মমি তাবগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা অনাবসু থুনা ফগৎহল্লি। টেক্নিক অসি কোরোনরি আর্টরি বাইপাস, ভাল্ব শিন্দোকপা নৎত্রগা শেমজিনবা অমসুং মমা পূক্লুংদগী য়াওরকপা অককুবা হার্টকী অশোয়বা শেমদোকপা হায়রিবশিং অসিদা শীজিন্নবা য়াগনি।”

অসিগুম্বা সর্জরি মখল অসি নারিবা মীওই অদুগী মশাগী অপূনবা হকশেলগী ফীভম অমসুং হার্টকী অনাবা মওং হায়রিবশিং অসিগী মখা পোন্না পাঙথোক্কনি। ডা. শ্রীয়াং রানাদেনা হায়রি, “এম আই এসকী থৌওং অসি অনাবা মীওই খূদীংমক্তা পাঙথোকপা য়াদে। নারিবা থম্মোয়গী লায়না অদুগী অরুবা ফীভম, মমাঙদা পাঙথোকখিবা কার্দিয়াক সর্জরিশিং অমসুং মশা কা হেন্না নোয়বা নৎত্রগা থবোম্বীগী ফীভম অসিনচিংবা হকশেলগী ৱাফম কয়া কূপ্না খন্নরবা মতুংদা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌগনি। করম্বা টেক্নিক্লা খ্বাইদগী হেন্না ফগদগে হায়বসি খন্দোক্লবগীদমক্তা কার্দিয়াক সর্জন অমনা মপূং ফানা রিভিয়ু তৌবা হায়বসি মথৌ তাই। হোস্পিটালদা মতম শাংনা লৈতবা হায়বসিসু মিনিমেল্লি ইনভেশিভ সর্জরিগী মরু ওইবা কান্নবশিংগী মনুংদা অমনি। খরা অরুবা সর্জরি ওইরবদি নাবা ফগৎলকপা ফাওবদা চয়োল অমা খরা শাংলপ লৈবা য়াই, অদুবু অয়াম্বা অনাবা মীওইশিংনা নুমিৎ হুম্নি, মরিনি লৈরম্লগা যূমদা হন্নখিবা ঙাক্তেনি। মফম পীক্লা থাঙ থাবা মরমদগী লায়জৌবা, ঈ থোকপা অমসুং সজরি পাঙথোকপদা অশোয়বা-অরানবা য়াওবা হায়রিবশিং অসিগী চাং অদুসু হন্থহল্লি।

**এম আই এসতা চেকশিনগদবা** - অদুম ওইনমক, থাঙ হাইফেৎ থাবা কার্দিয়াক সজরি অসিসু অতোপ্পা সর্জরিশিংগী মতৌগুম্না য়াম্না চেকশিন্দবা য়াদবা ৱাফম খরা লৈ হায়না ডা. রানাদেনা হায়রি। মহাক্না হায়, “ঈ থোকপা, এনেস্থেশিয়াগা মরী লৈনবা মতাং নৎত্রগা সর্জরি তৌরিঙৈ মনুংদা হার্ট নৎত্রগা লংসতা অকায়বা থোক্লকপা হায়রিবশিং অসি য়াম্না চেকশিন্দবা য়াদে। ডাক্তরশিংনা অসিগুম্বা থোক্লকপা য়াবা খুদোংথীবশিং অদু কুপ্না য়েংশিনগদবনি। অনাবা মীওই অয়াম্বনা খজিক্তং থাঙ থাবা কার্দিয়াক সর্জরি অসিদা য়াম্না খোঙলৈ থুনা নাবা ফগৎলক্তুনা চয়োল খরদংগী মনুংদা মশা মশাগী মহৌশা পাঙথোক্লরম্বা মথৌশিং অদুদা হঞ্জিনবা ঙম্মে। পূম্নমক অসিদা মাঙজৌননা শেম-শারবা লায়েংগী থৌরাং অমা থম্বগা লোয়ননা হিংনরিবা পূন্সি মহিংগী মওং শেমদোক্লবদি থম্মোয় অসি তুং কোইবা মওংদা মশা-মউ ফনা থম্বা ঙমগনি।

মিনিমেল্লি ইনভেশিভ হার্ট সর্জরি (এম আই ঐচ এস) অসিবু মশক তাক্লদুনা সর্বোদয় হোস্পিটাল, ফরিদাবাদ, সেক্টর ৮গী কার্দিওথোরাশিক অমসুং ভাস্ক্যুলর সর্জরিগী হেদ অমদি সিনিয়র কন্সলটেন্ট ডা. বেদ প্রকাশনা হায়রি, “এম আই ঐচ এসনা মহৌশাগী ওপন হার্ট সর্জরিগা মান্নদবা মওং অমদা মফম পীক্লা থাঙ থারগা লায়েংই। সর্জনশিংনা অরুবা হার্টকী থৌওং কয়া পাঙথোক্লবগীদমক্তা খূৎলায় মচা-মচা অমসুং কেমেরাশিং য়াওনা, অফবা মখলগী টুলশিং শীজিন্নৈ। মরু ওইনা সর্জরি মখল অসিনা হার্টকী ভাল্ব শেমজিনবা নৎত্রগা শিন্দোকপা, কোরোনরি আর্টরি বাইপাস তৌবা অমসুং এত্রিয়েল সেপ্টাল দিফেক্ট ক্লোজর হায়রিবা থৌওংশিং অসি পাঙথোকই।

**হান্নগী সর্জরিদগী কান্নবা হেনবা**

**মফম পীক্লা থাঙ থাই :** মমাঙঙৈদা ইঞ্চি ৬-৮ শাংনা লেল্লম্বা অদু ইঞ্চি ৩-৪দা তেনশিল্লকই।

**অনাবা থুনা ফগৎলি :** অনাবশিংনা চয়োল খরগী মনুংদা ফগৎলক্তুনা মশাগী মহৌশা মথৌ অদু তৌবা ঙমহল্লি।

**মমি তাবা অমসুং চৈনাখোল হন্থে :** মফম পীক্লা থাঙ থাবা মরমদগী সর্জরি মতুংগী চৈনাখোল অমসুং লেনফমগী মমি তাবা হন্থে।

**ইনফেক্সন কা হেন্না থোক্তে :** পীক্লা থাঙ থাবদগী, হান্না তৌনরম্বা চাউনা-শাংনা লেনবা সর্জরিগা চাংদম্নবদা ইনফেক্সন কা হেন্না থোক্তে।

**চেকশিনগদবা খুদোংথীবশিং :** ডা. বেদ প্রকাশনা হায়রি, “সর্জরি অতৈগী মতৌগুম্না এম আই ঐচ এস অসিদসু ইনফেক্সন থোকপা, ষ্ট্রোক তৌরকপা নৎত্রগা থম্মোয়গী মিহুল চাং নাইনা হুল্লক্তবা অসিনচিংবা খুদোংথীবশিং থোক্লকপা য়াই। হায়রিবা খুদোংথীবশিং অসি নারিবা মীওই অদুগী হকশেলগী ফীভম, চহী অমসুং অককুবা সর্জরি হায়রিবশিং অসিগী মখা পোনগনি।

**করম্বা মীওইদা সর্জরি অসি পাঙথোক্কনি ?** ডা. বেদ প্রকাশকী মতুংইন্না, মিনিনেল্লি ইনভেশিভ সর্জরি অসি মীপূম খূদীংমক্তা হেক্তা পাঙথোকপা য়াদে। নারিবা অনাবা অদুগী অরুবা ফীভম, মমাঙদা সর্জরি পাঙথোকখিবা, নৎত্রগা ওইরিবা হকচাংগী ফীভম খরা হায়রিবা ৱাফমশিং অসিগী মতুংইন্না মহৌশাগী ওপন-হার্ট সর্জরি অদুমক মথৌ তারকপসু য়াই।

**ওপরেশন তৌরমদাইগী শেম-শাবা :** “অনাবা মীওই অদু টেষ্ট মখল-মখা কয়ামরুম তৌগনি। সর্জরি পাঙথোকপা য়াগনি হায়বসি চপ চানা খঙদোকপা ঙম্নবগীদমক্তা ঈগী ফীভম অমসুং হার্টনা মথৌ তৌবগী মওং অদু মমি লৌদুনা য়েংবা অসিনচিংবা চাংয়েংশিং অসি পাঙথোক্তবা য়াদে” হায়না ডা. বেদ প্রকাশনা হায়রি।

**সর্জরি মতুংগী চেকশিন-থৌরাং :** সর্জরি পাঙথোকপা মপূং ফানা লোইরবা মতুংদা মখা তানা অমুক কূপ্না য়েংশিনবা ঙম্নবগীদমক্তা অনাবা অদু ইন্টেন্সিভ ক্যার য়ুনিট (আই সী য়ু) তা মতম খরা থমগনি। অসুম্না হোস্পিটালদা লৈবগী মতম অসি ওপন হার্ট সর্জরিগা চাংদম্নবদা তেনবা হেল্লি, নুমিৎ হুম্নি নৎত্রগা মঙানিদগী হেন্দে।

নাবা মপূং ফানা ফগৎলকপদা চাউরাক্লা চয়োল ৪দগী ৬ ফাওবা চঙগনি। অনাবা মীওই অদুগী হার্টকী মথৌ অদু নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহন্নবগীদমক্তা কার্দিয়াক রিহেবিলিটেশনগী মথৌ তারকপা য়াই।

**সর্জরি মতুংগী পুন্সি-মহীং শেমদোকপা :** “সর্জরি অসি মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা মতুংদসু অফবা চীঞ্জাক চাবা, চাং নাইনা শাজেল তৌবা অমসুং মতম চানা হীদাক চাবা হায়রিবশিং অসিগী মতেংনা হার্ট অসিবু মশা ফনা থম্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাইফদনা মরু ওই। থম্মোয়বু মশা ফহনগদবা পুন্সি-মহিং অমদা হিংবা অসিনা তুংদা থোক্লকপা য়াবা হার্টকী প্রোব্লেমশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়নসু ডা. বেদ প্রকাশনা ফোঙদোরক্লি। ●

# মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবগী মরাইবক -২

## (মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী মীৎয়েং)

– গোপীমোহোন থোকচোম –

নেশনল এৱার্দি, ১৯৮৬ (স্মোল স্কেল ওন্ত্রপ্রেন্যুওরস)
ত্রেজরর মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন

থৌরম অদুদা হায়খিবদদি মসিদা চন্নবা হোৎনরিবসিনা মরী লৈনবা কন্সটিট্যুশনেল জষ্টিস পীবদা নত্তনা কলচরেল অপলিফ্টমেন্ট অমসুং পোলিটিকেল রাইট অদু ফংহন্নবনি। অনৌবা মমিংশিং অদুদি (১) ভুজাল (২) গুরুং (৩) জোগি (৪) খাস (৫) কিরাট রাই (৬) কিরাট দেভান (৭) মাজহি (৮) মঙার (৯) নেৱর (১০) সন্যাসি (১১) সুনৱর (মুখিয়া) অমসুং (১২) থামিনি।

নাকল অমরোমদা, মতমদুগী অসামগী চীফ মিনিষ্টর তরুন গোগোইগী ফূরুপ ওইবা (১) টাই অহোম (চহী ৬০০ রোম হেন্না অসামগী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বা কাঙবু) (২) অসামগা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগা তাইনবা শরুক্তা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বা কাঙবু Koch Rajbongsi (৩) মোরান (৪) মুটোক (৫) চুতিয়া অমসুং (৬) টি-ত্রাইবশিং সেদ্যুল ত্রাইবতা চনবগী মতাংদদি অসাম কেবিনেটনা অয়াবা পীদুনা থিঙ্গৎখ্রে। সেন্টরনা থবক তপথবগীদমক হৌখিবা অসাম এসেমল্লি ভোট ২০১৬তা অচৌবা ইস্যু অমা ওইখিবনি। ৱাফম অসি উলফাগী অচৌবা শরুক অমনসু অয়াবা পীখিবনি। হন্দক্তসু গ্রুপ ওফ মিনিষ্টরনা অয়াবা বীরগা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর ডা. হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা লুচিংবা অসাম কেবিনেটনসু য়াবিদুনা ষ্টেট এসেমল্লিগী অরোইবা নুমিৎতা নবেম্বর ২৮, ২০২৫দা পুথোক্তুনা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসতা থাখ্রবনি।

মতাং অসিদা অঙকপা মতাং অমা য়ৌরক্লি। ঈহৌ অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা মণিপুরগী ওনরেবল গভর্ণরদা নবেম্বর ৩০, ২০১২ অমসুং ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীদা নবেম্বর ১৮, ২০১২দা মেমোরেন্দমশিং মথং মথং পীশিনখিবনি। মণিপুর লৈঙাক্তা মে ২১, ২০১৩দা ওফিশল ওইনা মীতৈ/মৈতৈগী এথনোগ্রাফিক রিপোর্টকা লোয়ননা ষ্টেট কেবিনেটনা রেকমেন্দেশন থারকউ হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসতগী পাউখুম লাকখ্রবনি। মণিপুরগী এসেমল্লিদা ওপোজিশন পার্টিগী ওনরেবল এম এল এ (ওইনাম এ সী) লৈখিদ্রবা ডা. ইরেংবম ইবোহলবীনা ফেব্রুৱারী ২৫, ২০১৪দা পুখৎখি। মথংগী বডজেট মীফমদা ওনরেবল এম এল এ (খুরাই এ সী) ডা. ঙাইরাংবম বিজয়না জুন ২৯, ২০১৫দা হংবা ষ্টার ক্বেশনগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা মরম চারবদি অখঙ অহৈ তান্নরগা থবক পায়খৎকে হায়খিবনি। ওনরেবল এম এল এ (ৱাঙ্খেম এ সী) কৈশাম মেঘচন্দ্র অমসুং ওনরেবল এম এল এ (থাংমৈবন্দ এ সী) খুমুকচম জয়কিষণনা ওগষ্ট ৪, ২০১৭তা এসেমল্লিদা পুখৎখি। মতুংদা মণিপুরগী এসেমল্লিদা ওনরেবল এম এল এ (ৱাঙ্খেম এ সী) কৈশাম মেঘচন্দ্রনা মার্চ ৪, ২০১৯দা পুখৎলকপা কোল এটেন্সন মোশনগী পাউখুম ওইনা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খিবদা মীতৈ/মৈতৈগী এস টি চনবগী দিমান্দ অসি খন্নবগীদমক্তা মণিপুর ষ্টেট কম্মিশন ফোর দি সেদ্যুল্ড ত্রাইব এক্ট ২০১৪ হায়না শেমদুনা গেজেট অমা মার্চ ২৭, ২০১৪দা হাপখিবদুগী মতুংইন্না মণিপুর ষ্টেট কম্মিশন ফোর সেদ্যুল্ড ত্রাইবগী মতমদুগী চ্যেরমেন আর এস গোলমৈদা শিন্নখ্রে হায়বসিনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা রাজ্য সরকারনা এঠনোগ্রাফিক রিপোর্ট শেম্নবা মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসতা দিসেম্বর ২১, ২০১৭তা রিলাইএবল ফার্ম/ওর্গনাইজেশনশিংগী মমিং ওইনা পীরক্নবা চিঠি থাখিবনি। মতুংদা মদুগী পাউখুম ফংদবদগী মে ১৯, ২০১৮দা অমুক হন্না এন্থ্রোপোলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াদগী মখোয়গী মীহুৎ থাবিরক্নবা হায়জখি। মসিমসু হায়খি মদুদি দিমান্দ অসি য়াম্না মরম চাই, মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরস অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসতা পোজিটিভ ওইবা থবক লৌখৎনবা হোৎনরি হায়বসিনি অমদি অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনজগে হায়খিবনি।

মতুংদা অমুক্কসু ওনরেবল এম এল এ (ৱাঙ্খেম এ সী) কৈশাম মেঘচন্দ্রনা ওগষ্ট ২৭, ২০১৯দসু অমসুং ফেব্রুৱারী ৯, ২০২১দা হংখিবা মতমদা ষ্টেট এসেমল্লিগী মীফমদা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খিবদা মতম খরগা পিখো, মণিপুর পূম্বসি হীল ষ্টেট ওন্থোকপনবু হেন্না ফরগদ্রা হায়খিবনি।

অসুম তৌদুনা এঠনোগ্রাফিক রিপোর্ট অদু শেম শানবগীদমক এক্সপার্ট ময়াম হায়বদি সোসিওলোজিষ্ট, হিষ্টোরিয়ান, এন্থ্রোপোলোজিষ্টনচিংবা খরা নেকপগী মথৌ য়াম্নমক তারবসু মণিপুর লৈঙাক্লা তৌফম থোকপদু কৈসু থৌরাং তৌবিদ্রি, তৌবীগেসু খন্দ্রি, তৌবীবসু অকিবা ফাওবা মান্নসু উহল্লি। শম্না হায়রবদা রিপোর্ট অদু শেমজিন্দুনা থল্লগদি শীজিন্নগেসু য়াবা, শীজিন্নদবসু য়াবগী মওংনি। অমরোমদা, কেবিনেট মীটিংদসু মদু থল্লগা মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব অসি এস টি লিষ্টতা চনবদু মতিক চাব্রা চাদব্রা লেপকদবদুবু ৱাহন্থোক খঙদনা লৈরব্রা খন্দবা ঙমদে।

সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল, মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন, কংলৈপাক কনবা লূপনচিংবা কয়ানা মীতৈ/মৈতৈনাএস টি লিষ্টতা চন্নবগী প্রোগ্রেস অদু য়েংমিন্নরিবা মীওই লাখ কয়ানা খৌরাংনা ঙাইরিবনি হায়বসিসু নীংশিংবা নুংঙাইগনি। খোঙজং অসি মণিপুরগী ঙসিগী এম এল এশিংনা করিসু খঙদবা মান্না তূমিন্না অয়াম্বনা লৈশিল্লিবসি উবদা অঙকপা ফাওই, অকিবসু পোকই। লৈরিবা ফীভম অসিদা এঠনোগ্রাফিক রিপোর্য ইবিনবগী থবক নেকপীনবা লৈঙাক্কী মীওই মণিপুরদা হৌজিক ফাওবা পোক্ত্রি হায়না লৌগদ্রা? অশোনবা ঐখোয়না হৌজিক করি তৌবা তাবগে?

মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্নদি এঠনোগ্রাফিক রিপোর্ট ওফ মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইবনা ইথোক্তুনা ফেব্রুৱারী ২, ২০২২দা ফোঙদোকখ্রে। এঠনোগ্রাফিক রিপোর্টতু মণিপুরগী গভর্ণরদা ফেব্রুৱারী ২, ২০২২ অমসুং মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা ফেব্রুৱারী ১২, ২০২২দা পীজখ্রে। দিরেক্টর, ত্রাইবেল রিসর্চ ইন্সটিট্যুটতসু ফেব্রুৱারী ১২, ২০২২দা পীখ্রে। হায়রিবা রিপোর্ট অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস, মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরস, নেশনল কম্মিশন ফোর সেদ্যুল্ড ত্রাইব অমসুং রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়াদসু সবমিট তৌখ্রে। লোয়ন-লোয়ননা ইকোনোমিক সর্ভে রিপোর্টকী ভোল্যুম অহুমসু ফজনা পুথোকচদুনা মদুসু মরী লৈনবা ওফিসশিংদদি পীজখ্রে অদুবু ইকোনোমিক সর্ভে রিপোর্ট অসিদি মিনিষ্ট্রি ওফ ত্রাইবেল এফ্যেরসতা থাবা দরকার লৈত্রবনা কুপ্না ইজদ্রে।

ঙসি ২১শুবা চহীচা অসিদা ঐখোয়গী লাইরিক্তি হৈরবা মপূং ফানা থবক্তি ফংদ্রিবা মীওই লাখ ৮/৯ রোম লৈদুনসু হীরম পূম্নমক্তা অকনবা কম্পিটিশন লৈরবা মতম অসিদা অহোংবা কয়াগা লোয়ননা ঐখোয়গী লৈঙাকপশিংনা তুংগীঅশানবা মীৎয়েং থমহৌদবদগী থবক শুফম নোম্ফম লৈতবা নমশিন্দুনা শুদৎপীদুনা থম্বীরবা, থবক শুনীংদবদগী অতনবা ওল্লবা, ৱাদনা নুংঙাইনীংবা কাঙবু ওল্লবা, শেঞ্জা থুমজানা হারবা, চরা অনী শুনা চানবা হোৎনবদা ৱারবা ফীভম, ভিক্ষা নিদুনা হিংবা মানবগী পূন্সি মরেল, তরং চৎলবা তাংফম অমদা থুবীররে।

**য়ানীংদবা কাঙবুগী ৱারোল**

মতম অমদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈদা চহী লিশীং কয়া হাইনা হুম্না, ৱাত্ত-পাদনা, মরেক-মহাও থোক্লা, মমল লৈনা, ঙক নোনবা হৈতনা, ঈংনা চিক্লা, নীংতম্না পাঞ্জরম্বা ইরৈপাক অসিগী তুংগী ঈহৌ কয়াদা শিংচেপ থাবা ওইনা থোক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ য়াওরি। লোয়ননা লাইরিক ৪,০০০ হেন্না পুথোক্তুনা মশেক মঙাল শীংথারিবা ঐখোয়গী ইরৈপাক অসিগী থাক ৱাংখৎহনবগী মহুৎতা মনীং হন্থদুনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব (আদিবাসি) দা চিংথবগী লম্বী য়াৎপনি। অমরোমদা ঐখোয়গা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ-ফূরুপ কয়াগী চাকথুং মৎপা ওইনা থোক্কনি খনবগী মতাং পনবতা নত্তনা ফোরেষ্ট ত্রাইব, মেন ত্রাইব, হিন্দু ত্রাইব, ত্রাইবেল হিল ত্রাইব, নন-ত্রাইবেল প্লেন ত্রাইব, য়েলহৌমী, ইন্দিজিনস ত্রাইব/ওরিজিনেল ইনহেবিটেন্টশিং, মৈতৈ ত্রাইব ময়ামসিগী অরানবা শক্তম কয়াসু পল্লি। মরমদি মপানগী মীওইনা ইবা অরিবা লাইরিক ওইবনা লাইরিক ময়ামদু য়াম্না হেক্তা রিলাইএবল ওইদবগী মতাং ওইরগনি পল্লি। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ২৪

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

... লৈঙাক্লোই মানবশিং, অখঙ অহৈনি হায়রিবশিং, তোঙান তোঙানবা শিনফমদা তোঙান তোঙানবা থাক্তা লৈরিবশিং অসিনচিংবা ময়াম অদুনা মখোয় মখোয়গী মখূৎমক্লা নৎত্রবসু মী হাৎপা, মী ওৎপা, হুরানবা, মচিন থিবা, ওইদ-পাদবনচিংবা কয়াগী থবকশিং নাকোয়ননা নৎত্রগা হকথেংননা পাঙথোক্লি হায়বসি চুম্লবনি। হায়রিবসি মালেমগী (মাইলেংগী) তোঙান তোঙানবা লৈপাক অয়াম্বদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবনি হায়নীংই।

মতম অসিদা মালেমদা (মাইলেংদা) লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লৈপাক অমমমগী লুচিংবনি হায়রিবা, মশানা মশাবু অখঙবনি, অহৈবনি হায়জরিবা, মীনা ঙাঙবা-শকপা তাদবশিং অসিগী মফমদা ঐনা হায়জনীংবদি - মখোয় অমমমনা মালেম অসিদা অঈংবা পুরক্লবনি, অকি-তুজুং (টেররিজম) মাঙহনগদবনি, মীওৎ-মীনৈ লৈহন্দনবনি, মীওইবগী নীংতম্বা মাঙহন্দনবনি, মহৌশাগী অরূম-অয়াঙ (খল) কায়দনবনি, অদু ওইননি, অদা ওইদবনি হায়দুনা অচৌ-অচৌবা মালেমগী থাক্তা ফম্বা মীফম কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া তাখ্রবসু, ৱারেপশিং অদুগী মহয়শিং অদুদি ঙসি ফাওবদা মপূং ফানা ফংবা ঙমদ্রি। মতম মাঙহন্দুনা লাক্লি হায়বসি মখোয় অমমম্না য়াজগদবনি। মতুংদসু ফংবা ঙমগনি হায়বসি ঐগী ওইনদি কৈদৌঙৈদসু থাজবা ঙমদে। লোয়ননা মখোয় মখোয়গী মতুং ইনবশিং, মচা-মশুশিং, শুথাং-নাইথাং ওইবশিং অসিনচিংবা ময়াম অদুনা ঈলৈপাক অসিদা কল্লক-মীহৌ পুকচেনগা লোয়ননা লৈশিনবিরবদগী মথক্তা পঞ্জখিবা মীওইবগী হৌরকফম ওইজরম্বগা লোয়ননা লৈলৈপাক (লাইরৈবাক) ওইনা নুংঙাই-য়াইফনা পাঞ্জরম্বা অদুসু মখোয় মখোয়গী মতৌবু নমদুনা তমহনখিবদগী/লৌহনখিবদগী নৎত্রগা ময়োন ওইবা কাঙবুশিংনা চৎলকপদগী ওইরকখিবশিং অদুনা ঈলৈপাক অসি লৈখাগী কোমদা তাশিল্লবনি হায়জনীংই।

মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অমদি শক্তম অসিনা মরম ওইদুনা হায়রিবা ফীভম অমদি শক্তম অনীমক ঈলৈপাক অসিদসু শরুক থুংলরবনিনা মালেমগী মনুংদা লৈরুরবা ঈলৈপাক অসিগী য়েলহৌমীশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপকী ৱাফমসু মতাং অসিদা ফোঙদোকফম থোকই। মালেমগী তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপশিং অদুগা (মী) ওন্ন-তৈনবা মী কাঙলূপ অদুবু (তৈ) ‘মীতৈ’ হায়না কৌনবনি। অসিগুম্বা ওন্ন-তৈনবা অসি মৈনাই ৱাই, তাংনাই শম হায়বদি মমৈ মমৈ শমথরক্তুনা (মৈ) ঙসিগী মীরোল অসি ফাওবদা ওন্ন-তৈননা লৈরকপা (তৈ) অসিবুনা ‘মৈতৈ’ হায়রিবা অসিনি। (কনাগুম্বনা ‘মীতৈ’ অমদি ‘মৈতৈ’ হায়রিবা মিং অনীসিগী ৱাহন্থোকশিং তোঙান তোঙান্না হন্নরকপা য়াই। অদুবু ঐগী ওইনা হঞ্জরিবা অসিদি মিং অনী অসিদা য়াওরিবা খোন্ (sound/syllable) অনী অনীগী ৱাহন্থোক মতুংইন্না হঞ্জবনি। ময়াম্না পন্নরিবা ৱাহন্থোক্কা মান্নদবা ‘ৱাহন্থোক’ অদুগী মতুংইন্না হঞ্জবনি। হায়রিবা ৱাহন্থোক অসি করিনো হায়বদু ‘লোন অমদি ময়েক’ হায়না লৌনগদৌবা ৱারেং অদুদা ফোঙদোকচরক্কে’) মীতৈ অমদি মৈতৈ অনীদা মীনুং (মীনু) চংবীবগা লোয়ননা ‘মী’ অমদি ‘মৈ’ অনীনা মান্নদবা অসিদা খুদোংচাবা লৌরগা হায়বসি মসিদা য়ূম্ফম ওইরগা মীতৈ অমদি মৈতৈ অনী থোক্লে হায়দুনা পাউথোকপীবগা লোয়ননা মীওইবগী ৱাখল চেনবা অমদি মীওইবগী লমচৎ অমদি শাজৎ হায়বদি মীওইবগী লমচৎ-শাজৎ চৎপা মীতৈ অমদি মৈতৈ ওইমিন্নবা অসিবু মাঙননবা হৌখিবা মতম কয়াগী মমাঙদগী ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবনি। ঙসিগী মীরোল অসিদা অদুগুম্বা পাউথোকপীবা অদু খরা পাথজবগী ৱানি, ‘ফাখিবা ঈশৈ নোংমতসু ঙংই’ হায়বগুম মরক মরক্তা অদুগুম্বা পাউথোকপীবা অদু ঈনাকোং অসিদা য়ৌরক্লিবনি।

‘মীতৈ’ অমদি ‘মৈতৈ’ অনী থোকপা নত্তে। অনী থোকই হায়বদু ফোঙদোকপা য়ানবা, অনী থোকই হায়বগী ঈৱাই-ঈনিং লৈহন্নবা, লোয়ননা ‘মীতৈ’ অমদি ‘মৈতৈ’ অনীগী মরক্তা অমগা অমগা খায়দোক্লবা য়ানবা থৌরাং (Divisive Policy) পাঙথোকপা য়ানবা ‘নৎত্রগা’ (or) হায়বা ৱাহৈ অসিবু সিম্বোলাইজ তৌরিবা "Oblique" (/) অসিনা হায়রিবা ‘মীতৈ’ অমদি ‘মৈতৈ’ অনীগী মরক্তা হাপচিল্লম্বনি হায়বসি ঐগী থাজবনি। সিঙেন লৈরাং (সিনয়েন-লৈলাং), ‘লাইজ ঈশিং’ (লৈচা-ঈশিন) নচিংবা অরি-অনৌ (আলিং-আনৌ) অনীনা পুল্লগা শেম্বা মাইলেংদা (মালেমদা) অনী শুনা লৈতবা মখলগী কম্পাউন্দ ৱার্দ অসিগুম ‘মীতৈ/মৈতৈ’ হায়না শান্নবগী মহুত্তা ‘মীতৈ-মৈতৈ’ হায়না ইজনীংই। অসুম্না ইন্নবা অসিনা চীংলৈপাক ওইবা ঈলৈপাক অসিগী লৈপাক লৈশা ওইবশিংগা লোয়ননা হৌরকখিবা য়েলহৌমী ওইবশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা ঙম্বগী ‘ঈৱাই-ঈনিং’ হায়বদু থোরকখি হায়বসি ঐগী থাজবনি। (মসিগী মতাং অমা ‘লোন অমদি ময়েক’ তা ফোঙদোকচরক্কে) মরম অদুনা ইজরিবা মীৎকুপ অসিদগী ‘মীতৈ/মৈতৈ’ হায়না ইজবগী মহুত্তা ঐগী ওইনদি ‘মীতৈ-মৈতৈ’ হায়না ইজবা হৌজরবনি। মতুংদসু অসুম্না অদুম্মক ইজরনি।

মথক্তা পঞ্জখিবা ‘শিনয়েন-লৈলাং’ (শঙেন-লৈরাং), ‘লৈচা-ঈশিন’ (লাইজ-ঈশিং) নচিংবা অসিগুম্বা ‘মীতৈ-মৈতৈ’ হায়রিবা মিং অসিসু হৌলাকলোন (হৌরকলোন) অমদি য়েলহৌলোন অনীনা শমজিন্নরগা অমদি পুনশিন্নরগা শেম্বা মিং হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা হায়রিবা মিং অসিসু হৌয়েনশিং (হৌলাকলোন + য়েনহৌলোন + মিং) নৎত্রগা হৌয়েনলোন (হৌলাকলোন + য়েনহৌলোন + লোন) হায়বদু ওইহঞ্জনীংই।

মথক্তা পঞ্জখিবা হৌলাকলোন (হৌরকলোন) অমদি য়েনহৌলোন অনীনা শমজিন্নরগা অমদি পুনশিন্নরগা শেম্বা মিং নৎত্রগা ৱাহৈশিং শীজিন্নরম্বগা লোয়ননা হায়রিবা য়েনহৌলোন অমদি হৌলাকলোন (হৌরকলোন) অনীবু তুনা (তুংনাই) শীজিন্নরমখিবা অমদি ঙাঙন-শক্করমখিবা মতমদুগী ইপা-ইপুশিং অমদি ইমাই-ইপেনশিং (ইমা-ইবেনশিং) অদুদি মপু (মাইপু) অমা লৈ হায়না খঙবা নত্তনা ঙসিগী মীরোল অসিদা থাজনরিবা অমদি নীংনরিবা ‘লাই’ ককাদু নীংনরম্বা নত্তে হায়নীংই। ‘লাইশং’ ককাদু লিংনরম্বা নত্তে হায়বসিমসু হায়নীংই। (মপু/মাইপু হায়রিবসিসু ৱাহন্থোক অমদি ইন্টরপ্রিটেশন ‘লোন অমদি ময়েক’ তা ফোঙদোকচরক্কে)।(মথং-মথং) ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।